## এডিটোরিয়েল

# অওনবা অমা লাকপসিদা মীয়াম্না পাল্লিবসি লম্বী খুদিংমক মৈ পীবদুনি

অসামদা জুন ৩০ ফাওবগী মনুং খুঙ্গং খুদিংমক মৈ ফংহল্লগনি অমসুং লম্বী খুদিংমক্তা মঙাল পীদুনা চৎথোক-চৎশিন য়াবা লম্বীশিং ওইহল্লগনি হায়না অসাম গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর অসি মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না হায়বা তারগদি খুঙ্গং খুদিংমক অসি পৱার জেনরেট তৌরবা খুঙ্গংঙাক্তনি হায়না লৌবা তাই। অদুবু হায়রিবা লৈঙাক্কী থৌশিলশিং অদুদা কদায়ফাওবা য়ৌনা মীয়ামদা কান্নবা পীখ্রবগে হায়বদুদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা থিগৎপগী মথৌ তারি। হৌজিক অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপা অসিদা মীয়াম্না আশা তৌরিবসি য়ামদ্রবদা ইম্ফালগী নৎত্রগা গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা লম্বী-থোংশিং অসি ফগৎহনবা অমসুং হায়রিবা লম্বীশিং অসি পুং ২৪ চুপ্পা নোংমদা মৈ ফংহন্দুনা নুমিদাংগী মতমদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা কাঙবুদা খুদোংচাবা খুদিংমক পীবা হায়বসিনি। মসি অনৌবা লৈঙাক অসিনা য়েংশিনফম থোকপা হিরম অমনি হায়না লৌবা তাই। মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খ্বাইদগী খুদোং চাদ্রিবসি নেস্নেল হায়ৱেদা মৈ ঙালহনবা ঙমদবা অমসুং মদুগী মখা তাবদা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা লম্বীশিংদা মৈ থানবা ঙমদবা অসিনি।

করিগুম্বা পুং ২৪ থবক শুদুনা লৈরিবা অমদি লৈগদবা ইম্ফালগী এরিয়া অসিদা মৈ মতিক চানা পীবা ঙমদবা তারগদি লমদমসিদা অপীকপা শেনফমদগী হৌরগা মরন্নাই ওইনা ইন্দষ্ট্রি কয়া তৌরিবা মীয়াম অসি শিহন্নবগী মরম অমা ওইগনি। মসিসু প্রিপেইদ সিষ্টেম অসি লাক্লবা মতুংদা মীয়াম্না খল্লম্বা মৈগী ৱাত্ত-পাদবা অদু লৈগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুগী মখাদনি। শম্না হায়রবদা প্রিপেইদ সিষ্টেম্না লমদমসিগী মীয়ামগী তাঙাইফদবা পৱার সপ্লাই অদু ঙসি ফাওবা পীবা ঙমদ্রি অমসুং করিগুম্বা মতাংদা ভি ভি আই পি কন্নেক্সনশিং লৌরিবা মপুং ওইনা মেডিয়া হাউসশিং অসিদা মখোয়গী তঙাইফদবা পৱার সপ্লাই অদু পীবা ঙমদ্রি। মসিনা তাকপদি মণিপুরদা করিগুম্বা মফম অমত্তদা চপ চাবা পৱার সপ্লাই পীবা ঙমদ্রি হায়বসিনি। অমুকসু য়েংবা য়াবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লৈরগা শীজিন্নরিবা প্রিপেইদ সিষ্টেম অসিদা কদাইফাওবা য়ৌনা ইমুং অমদা মৈ ফংহল্লিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমনি। ৱাহং অসিগী পাউখুম মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না পীবা ঙমখিদ্রবনি অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা লানখ্রে হায়বা নত্তনা অশেংবা মওংদা চুম্না মৈ পীগনি হায়বদি ফোঙদোকপা লৈখিদে। মসিমক ঙসিগী লৈঙাক অসিনা চুমথোকফম থোকপা হিরম অমনি হায়না পাউ-চে অমা ওইনা মীয়ামগী পাউখোল্লোই অমগী খুত্থাংদা হায়রিবা ৱাফম অসি ফোঙদোকপনি হায়না লৌবা তাবনি। তৌবতবু মীয়াম্না পাল্লিবদি লৈঙাক অসিনা অনৌবা ওইবনা অওনবা অমা পুরকপদা মণিপুরগী য়ামদ্রবদা গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা লৈরিবা লম্বীশিং অসিদি পুং ২৪ চুপ্পা মৈ ঙানবা মফমশিং ওইহনবীয়ু হায়বসিনি। লম্বীদা ফত্তবা লৈরম্বা কয়া অদু শেমদোক্লবা হোৎনরি হায়বসিদি মীয়াম্না অদুমক খঙলবা ঙাক্তনি। লম্বীশিং অদু শেমগৎনবা হোৎনরিঙৈদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্বু খুদোংচাহন্নবগীদমক মৈ থানবা হায়বসিদি অরুবা থবক নত্তে অমসুং মদুনা লম্বীবু ঙালহনবা তারগদি নুমিদাং অথেংবদা মীয়াম চৎথোক-চৎশিন তৌবা মতমদা থেংনগদৌরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুদি কোকহনবা ঙমগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# "অমেরিকা অমসুং অৱাং কোরিয়াগী লাল"

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

পৃথিবী লৈবাক অসি মান্নবা ৱাখল অমগী মখাদা শাসন নিতি তৌসে হায়বা (পুনশিল্লগা) য়াদ্রবদি তোঙান্না নিংখা তন্নিংই হায়বা লালগদ্রা লাল্লোই। লৈবাক অসি মচিনঙৈদা (অহৌবদা) জিবা পুন্নমক্কী মপু ওইরম্মি। মি খরনা লোইনা মপু ওইনিংদুনা মপু ওইরকখি। লো চৎনবী মানা শেমখি। মিনাই নাইথাংসু মানা শেমখি। অপিকপা, অচৌবা, অশেংবা, অমাংবা, জাতি-ভেদসু মকোইসিনা পুথোক্লকখি। মসিগী ৱাখল অসিদি অমেরিকা মাগী খোংলোইনা ওইরে। মায়কৈ অমরোমদনা মিনাস নাইথাং লৈতবা, জাতি-ভেদ খাইদবা মান্নবা ৱাখল্লোলনা লমজিংদুনা অৱাং কোরিয়া লৈবাকসিনা থৌনা ফনা ফাগৎলক্লি। অমেরিকানা নমথনবা হোৎনরি, লাল তৌগদৌরি। পৃথিবীগী মনুংগী লৈবাক কয়াগা পুনশিল্লগা থেংনবা ঙম্বা খুৎলাইশিং থমজিলবদি মশাগী লোনা য়াহল্লি। অৱাং কোরিয়াদদি থম্বা য়াদে হায়না লোল শেমজিল্লি। মান্নবা ৱাখল্লোলদা লমজিংলিবা অৱাং কোরিয়ানদি থৌনাগা লোইননা মতু শোন্না থেংনরি। অমেরিকা মাগী কাংবুনা নাপল য়াওবা নিংথৌ শক্তম লৌদুনা হেক হেক কায়হৌরি লান্দরি। হৌজিক হৌজিক অমেরিকা অমসুং অৱাং কোরিয়া লাল তৌনগদৌরি। অমনা মিনাই নাইথাং পাম্বনি অমনা মান্নবা ৱাখল পাম্বনি। অনি অসি খেৎনরি।

মরম অসিনা ঐনা হায়জনিংবদি অৱাং কোরিয়ানা খুৎ হান্না থাবিরুগনু। অমেরিকানা হান্না খুৎ থারক্লগা লালগী খুৎ থানবা তৌবিয়ো। অমেরিকা লৈবাক্তি মান্নবা ৱাখল্লোল চেন্বদি মি য়ামদে। অমেরিকাদি মিনাই নাইথাংগী শাসননি। কেরিয়াদি মান্নবা ৱাখল্লোল লৈবনিনা থৌনা ফনা শিবা কিবা লৈতনা সর্গা কাগনি (পুন্যা) হায়না লৌজে। হায়না লৌজে। লাল পাম্বা অমেরিকা নারৈবাক্তা চৎখ্রো, নথৌ তাদ্রে।

ঐখোই লাল পামদে, শান্তি পামস।

*অদোমগী,*
*মোংজম গমভির খুমন*
*নম্বোল চিংমাং, লাইতোঞ্জম*

# "ডিরেক্তর সস্পেন্দ, মিনিস্তর রিজাইন"

টিঐচ উদোই লুৱাং

**মীচং শঙ্গনগী ইপাক্তা মনিং তম্না তাওরি অয়াম্বা মন্ত্রিশিংসু অচুম অরান অনীগী লাংদাইদা কীশি থোক্কদবা সরকারসু কোকচাওবি কারোইদবা লৈতে।**

অপাম পামদ অনী চীংনবগী লংদাইদা পরিং পথাপ কায়দনা চৎলিবা মহাক্তো অশেংবা লুচিংবা অমনি। মীচং শঙ্গল থিদনা জষ্টিস তৌরিবা লুচিংবদুগী মফমদা শেঞ্জা থুমজা লৈরোই। ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্তেবিলিতি লৈগনী। জষ্টিস তৌবদা খোয়শাওনরিবা লুচিংবা অদুদগী মীয়ান্না করিসু আসা তৌনিংঙাই লৈতে। থা অমগা নুমিৎ ৫ নী শুরবা বি. জে. পি না লুচিংবা সরকার অসি মীচঙ শঙ্গনগী তমথিরবা লাইনানা নারে হায়বগী চপ চাবা খু দম চাংদম ফংলে। খুদক্তগী Justice in true essence কী লাইয়েং চখ্দুনা Sincerity & Reality গী হীদাকশিং চাং নাইনা পীজবা দরকার ওইরি। সরকারগী ফীভমসি থোইদোক্না মশা মউ ফবা হায়বদুমক্তি নত্তে। ডায়বিটিজ নারিবা মীদা অতোপ্পা অকনবা লায়না য়াওরকপদা হেক্তা তম্বা ঙমদবগুম্বনী। সরকার অসিগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার, আর্ত এন্দ কলচর, কাদা, লো এন্দ লেজিসলেতিব এফিয়ার্স অমসুং জেনিমস সোসাইতিগী ভাইস চেয়ারমেন ওইনা থৌ পুরিবা মিনিস্তর এল জয়েন্তকুমারনা চৎলিবা থাসিগী তাং ১৩ দা মিনিষ্টর ওইবদগী রিজাইন তৌরগে হায়না চীফ মিনিস্ত্রর এন. বীরেন য়ৌনবা ওফিসিএল ওইনা চে পীশিনখিবা অসি অখঙ অহৈ পুন্নমক্না ঙক্লখি। চেরোলদুদা য়াওরিবা নুংগী ওইবা ৱাফমদি "মহাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লী" হায়বসিনি। মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা লৌখিবা ফীরেপ অদুগী ফেভরদা দিপুতি চীফ মিনিস্ত্রর ৱাই জয়কুমারনা তাং ১৬ তা লৌমী শিন্নী অপুনবা লূপ (লৌশাল)না শিন্দুনা কংলাগী ৱেষ্টর্ন গেত্তা পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লী লমথাবগী থৌরম য়াওবা লাকপদা ফোঙদোকখিবা " দরকার লৈরকপা খোঙথাং খুদিংমক এন পি পি না মতম অমদা হেক্তা লৌরকপা য়াই" হায়বা ৱাফম অসি থোইদোক্না অর্থ চেল্লী। ওইরকলিবা ফীভমসিদা নৈননিংঙাই ওইরিবদি জষ্টিসগী ভেলু খঙদনা অঙম অথৌশিংগী মরক্তা মীচং শঙ্গন, হাক্কনগী তুকৎচরবা শাজৎ-লিচৎ, লৈবা থবক থৌওংশিংসিনী। নীংশিংবা য়াই, শ্রী নোংথোম্বম বীরেন সিংহ মণিপুরগী ২০ শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা অতোপ্পা মিনিষ্টর ৮ গা লোইননা মার্চ তাং ১৫ দা ৱাশক লৌখি। মার্চ তাং ২০ দা বি জে পি চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট থাজবগী ভোত মায়। পাক্তুনা মার্চ তাং ২৩ দা অতোপ্পা মিনিষ্টর ৩ অমসুং এম এল এ ১২ না পালিয়ামেন্টরি সেক্রেতরিশিং অমদি এম এল এ অনীনা চেয়ারমেন শিং হাপ্তুনা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্ট্রি মপুং ফাবগা লোয়ননা সরকার অমগী চপ চাবা শক্তম ওইরকখি। সরকারসিদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং এম এল এ মশিং, বি. জে. পি – এম এল এ মশিং ২১, এন. পি. পি. – ৪, এন পি ৪, এ আই তি সি – ১, এল জে পি এম এল এ মশীং ১ ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১, কংগ্রেসতগী থোরকলবা এম. এল. এ ২ নী, বি জে পিগী এন বীরেন সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা বি জে পি গী সরকারনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পূন্নমক খুরৌ থাংহন্দনা মতম চানা –চানা পাংথোক্কনী হায়দুনা লাকখি। বি জে পি না ইলেক্সন মতমদগী লাওদুনা লাকখিবা খোল্লাওশিংগী মনুংদা অহোংবা লাকলগনী, অওনবা পুরকলগনী হায়বনী। খোল্লাও অসিগী নুংগী অর্থদি মণিপুর খুন্নাইগী পুন্সিবু শিংনরকপা খুদিংমক মায়য়োক্লদুনা অমদি খুরৌ থাংবা খুদিংমক খুদক্তা লৌথোক্তুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইহনগনী হায়বনী। মসিগী মনুং চন্না সরকার অসিনা খ্বাইদগী লুন্না লৌরিবসি অহানবদা – সমাজসিদা লিশাং শিৎনা চখরকলিবা তমথিরবা শেঞ্জা–থুমজা করপসনগী চৎনবী মরু ফংনা মুত্থৎপনি। অনীশুবদা – মণিপুর সরকারনা প্রজাশিংগীদমক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অমদি থবক থৌরমশিং মীয়াম পূন্না শেংনা খঙমিন্ননবা ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিতি লৈহন্ননবা দরকার লৈবা থৌরাংশিং লৌখৎপনী। ভিজন অনিসিগা লোয়ননা কংগ্রেস সরকারনা চহী ১৫ চুপ্পা পল্লিঙৈ মতমদা প্রজাশিংগীদমক পৈশা য়ান্না চংনা পায়খৎখিবা মওং মরিল তাদ্রবা থবকশিং মরু ওইনা প্রোজেক্টশিংদা ইনক্কারি চখদুনা লান্না তৌখিবা অমদি শেঞ্জা থুমজাশিংগী মরিক চুম্বা রিপোর্টশিং লৌখৎলকলি। মরাল লৈবশিংবুসু মতিক চাবা দন্দী পীগনী হায়না সরকারনা লাওথোকলি। প্লান ২০০৯ – ১০ অমসুং ২০১০–১১ শেনবা চহীশিংদা ষ্টেত হোম দিপার্টমেন্টনা বজার মনুংদা সি সি তি ভি কেমেরা অমসুং ত্রাফিক সিগনেল লৈবা অমসুং ইনস্টোল তৌননবা লুপা ৮,০১,৫৪,৭৭৫.০০ সেঙ্কসন তৌখি। চন্নফম খংদনা লৈরিবা সি সি টি ভি কেমেরাশিং অমদি ত্রাফিক সিগনেলশিং ইনক্কারি কমিতি শেমদুনা থিজিনবা হৌখ্রে। টেক্ট ফাইন্দিং রিপোর্ট লাকলবা মতুংদদি অওনবা অমসুং অহোংবা অমা লাকলগনী হায়বসিসু প্রজাশিংগী থাজবনি। ইলেক্সন মমাংদা কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ডিপার্টমেন্ট ময়াম অমদা পাক্তক্লনা অয়ৌবী থাক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা অমদি নীয়ম লান্না থবক হাপখিবশিং ইন্দিপেন্দেন্ত বোদি অমা শেমদুনা থিজিনবা হৌহনখ্রে। সরকার অসি তশেংনমক চীন্দখক হায়বা নত্তনা অঙকপা ফংনা হীরম খুদিংমক্তা থবক ওইনা ওম্বোরকলি। সরকার অসিনা জষ্টিস তৌদুনা শেঞ্জা থুমজাগী মরালদা পিওন অমসু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। য়ান্না শিংথানিংঙাই ওইরিবা ৱাফন্না মেদিকেল এন্দ হেলথ র্সাবিসেসগী ডিরেক্তর ওক্রম ইবোমচা এপ্রিল তাং ১৩ দা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবসিনি। মহাক সরকারগী দাইত্যা য়ান্না লৈবা মীশক্লী। নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা মণিপুর ষ্টেত হেল্ঠ মিসনগীসু দিরেক্তর ওইরিবনি ।মহাক্কী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপগী প্রোসিদিং চখরিবসিনা তাকই, শেঞ্জা –থুমজাগী প্রাইম্যা ফেসী ইভিদেন্স খরদি লৈরে। ইচম চম্বা ইনক্কারিদি নত্রে। মরমদি সস্পেন্দ তৌরিঙৈ মনুংদফাও সরকারগী অয়াবা য়াওদনা ইম্ফাল থাদোকপা য়াদবগী অথিংবা থমলি। অদুবু মীচং শঙ্গনগী শক্তিনা কনখিদুনা জষ্টিসগী ওন্ন–তৈনবদা ইনক্কারি সর্বনাস শারোই হায়নিংঙাইসু লৈতে। মরমদি তাঞ্জাসিদনী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা মহাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লী হায়দুনা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌবগী চে পিশিল্লুরিবসি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বীরেন সিংহনা এপ্রিল ১৭, ইম্ফালদা থুংলবগা ৱারি শানদুনা য়ানখ্রে। হংনিংঙাই ওইরিবদি ইমুংগী ওইবা পাও ফাওদোকনহৌদবদগী থোকখিবনী হায়বসি আর্থ থোক্তবা, দাইত্যা লৈতবা মীওইশিংনা পংতৌ তৌবা মতৌনী। য়ানবগী কোন্দিসন খরদি লৈফম থোকই। শারিবা কৌবনীনা খরা তপ্পা ডিরেক্তর ফম হঞ্জিনহনবদা য়ানরিব্রা হায়বসিসু চীংননিংঙাই ওই। ফীভমসিদা নৈননিংঙাই ওইরিবদি, ঐখোয়গী সমাজ অসিদা অচুম অরান থিদনা অন্দর দিভলপগী মতৌগুম মীচং শঙ্গনগী ফত্রবা চৎনবী অমা লিংশাং শিৎনা চখদুনা লাকলি। মান্নবা খুনাইগী ওন্ন তৈনবদা অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদুমক্লী। ফত্রবা চৎনবীসিনা হেনমনখিদুনা শঙ্গ–পঙ্গ, মীচং শঙ্গন লৈজদবশিংনা থবক ঙন্ননবা হোৎনবদা পৈশা পীবা দরকার লাকই। অঙম্বশিংসু পৈশা য়ান্না পীবা ঙম্বশিংবু রিকগনাইজ তৌরকপনা শেঞ্জা থুমজাগী খম থেংলবা অৱাবশিংসি লাকলীবনি। করপসনগী হৌরকফম ওইরিবা মীচং শঙ্গনগী চৎনবী অসি সরকারনা হকচিন্না লৌবগী মতম ওইরে। সরকারনা করপসন থিংনবা থৌরাং ফনা লৌখৎলবসু মীচং শঙ্গনগী চৎনবী লৈরিবমখৈ করপসন থিংবা ওইথোক্তে। মীচংশঙ্গন অমদি করপসন মুৎথৎকে হায়রবদি Justice in true essence ফজনা মথৌ তৌবা তাই। জষ্টিস ফজনা তৌরবতদা করপসনসু মুৎখিগনী। ডিরেক্তর সস্পেন্দ তৌবা অমদি মিনিষ্টর রিজাইন তৌবা অনিসি মরি লৈনদে হায়বা য়ারোই। মীচং শঙ্গনগী চপ চাবা লাইনা নারে হায়বসিসু ময়েক্না তাকচরো ঈমুং–মনুং কৈরোই – লৈকাইগীসু নত্তবা ভোত কারক্তুনা লৈবাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মিনিষ্টর অমনা অসিগুম্বা দাইত্যা য়াওদবা থবক তৌরকপসিদি অখং অহৈ পুন্নমক্না মহাক্কীদমক ইকাইবীরোইদবগী মরম লৈতে। চুম্মী খন্না রিজাইন তৌখ্রবদি লিদর অমা ওইবগী মঙ্গন ঙাক্ল নুপা থোক্লা খোঙফম হন্দোকফম থোক্তে। খূৎ থিংজিল্লী হায়বগী নুংগী অর্থ করিনো? মিনিষ্টর অমনা পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংসি মিনিষ্টর অদু খক্তনা লোইনা তৌগদবনী, চীফ মিনিষ্টরনা খূৎ থিংজিনফম থোক্তে হায়বসি কনানা লান্না হায়হন্নবা তৌবীরিবনো হংনিংঙাই ওই। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাহম্বোক অমসুং ভেলু খংবা ফৈ। মিনিষ্টরশিংনা পায়রিবা দিপার্টমেন্ট পুন্নমক্তা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা জষ্টিস তৌবা হায়বসি কনষ্টিত্যুসন্না পীবা শক্তিনী। মিনিষ্টর পুন্নমক্কী অমদি দিপার্টমেন্ট পুন্নমক্কী মথক্তা চীফ মিনিষ্টর লৈ। চীফ মিনিষ্টরনা মরি লৈনবা পুন্নমক্কী মকোক্লী হায়বসি সেলেক্তেত মেম্বর পুন্নমক্না মমুৎ তানা খংবা মথৌ তাই। মমুৎ তানা খংদ্রবদি মসিনা লৈবাক পুংজাও থিনবা অরোইবা ৱাথোক ওইরোই। সরকার অসি য়ান্না প্রোমিজিং ওই। তেনখ্রবা মতম অসিদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক ময়াম অমা খোংলৈ থুনা পাইখৎলকলি। মসি জষ্টিস তৌবগী খুদন্নী। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরখরা খক্তনা জষ্টিস কুইনা তৌবা ঙমলোই। প্রজাশিং ভাব তাহনবদি থোইদোক্না লুদে। লুরিবদি ভোত কারক্তুনা এম এল এ ওইরিবা শক্তি লৈরবা মেম্বরশিংনী। মসিদগী হেন্না অমুক শাথিরিবনা মন্ত্রিশিংনী। এন্তি করপসন সেল হাংবা, ত্রান্সপরেন্সি, একাউন্টেবিলিটি লৈহন্নবা হোৎনবা লাইরি। চীফ মিনিষ্টরনা ফজনা ওর্গনাইজ তৌবীদুনা মন্ত্রিশিং, এম এল এ শিং 'জষ্টিস' করিনো ফজনা খংহন্নবা অমদি ৱাশক অমগী মখাদা থবক ওইনা ওন্থোক্লনবা কাউন্সেলিং ক্লাস চাং নাইনা ফজনা পীবা দরকার ওইরি। থবক পুন্নমক মিনিষ্টরশিংগী মখা পোন্না তৌবা নৎত্রগা তৌদবা হায়বসি লাক্কদৌরীবনী। লুচিংবশিং সেকেন্দ থোদ শিজিন্নদুনা লিদর অমা ওইবগী ক্বালিটিশিং মপুং ফানা লৈন্নবা হোৎনবিখো। ভাব মেন তাদ্রিবা মীওইশিংনা তৌগদৌবা ইকাই– শঙ্গোই হাংবা থৌদৌ অমুক হন্না থোকহনবীদবা ফৈ। আইন সভাগী মেম্বরশিংনী হায়বসি নীংশিংবীদুনা আইনগী ৱাহম্বোক খংনা জষ্টিস তৌবীরবদি লমদমসিদগী শেঞ্জা থুমজা (করপসন) মুত্থৎপা ঙমগনী। ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি ফজনা লৈহনবসু ঙমগনী। মন্ত্রি, এম এল এ শিংনা প্রজাশিংদা ঙহাক ঙহাক্কী পংহায় হায়জিনবগী থৌওং অসি থাদোকপীদুনা তশেং তশেংবা চীনগা খুৎকা মান্নবা থবকশিং তৌফম থোকই। মীয়ান্না আশা তৌরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বীরেননা লুচিংবা সরকার অসি হৌবদা ঙাইরি। মাংলমচত্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অঙকপা ফংনা হীরম খুদিংমক্তা থবক খুদিংমক খুমাং চাওশিন্না তৌরকলি। চীং–তম থোং মান্ননা পুখৎলকলি। নোংমৈ, বোম, তোপ লালবুংগী মফম ওইরিবা উখ্রুল, অকি অখং লৈত্রবা মন্দিরগী মফম ওন্থোকখি। ফীভমসিদা চেকশিনবীগদবদি মৈতৈ ঈপা–ঈপুশিংগী ৱাহৈদা 'বোন্না হৌরগা পোকলাওবিনা লোইশিনবা' হায়বদু নীংশিংদুনা থবক তৌবীবা ফৈ। মীচং শঙ্গনগী শক্তিনা কনখিদুনা জষ্টিস তৌজনিংবা মন্ত্রিশিংসু অনম অহা চুরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অচেৎপা ফীরেপ লৈবীয়ু। চেং চগ্রিং অমনা চেংকোক অমা মাংই হায়বদু তাখিবসু য়াই। মসি থোক্তনবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা জষ্টিসকীদমক মীচং শঙ্গন নাইদনা পুন্না লেপমিন্নবনা অচুম্বা খোংথাং ওইগনী। জষ্টিস হায়বসি মীওইবগী কোক্কী ওইবা অচুম্বা থম্মোইগী ৱাফন্নী। তুংলমচৎ ফাওবা জষ্টিস লৈবা অফবা সাসন লৈহন্ননবা লোং তার্ম পোলিসি ওইনা ভেলু এদুকেসন্দা হেন্না মীৎয়েং চংবীবা চুমগনী। সোর্ট–তার্ম সোলুসনগীদমক্তদি মন্ত্রি, এম এল এ শিংনা ৱাশক অমগী মখাদা কথোকপগা লোইননা মীচং শঙ্গন নাইদনা জষ্টিস তৌবীবা তাই। দিপার্টমেন্টশিং হকথেংননা য়েংশিনবগা লোইননা এন্তিকরপসন সেলগী রিপোর্টশিং থবক্তা ওন্থোকপা, ষ্টেট ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট শক্তি লৈহনবা অমসুং দিপার্টমেন্টনা রিকম্মেন্দ তৌরকপা কেশশিংগী মতাংদা অচুম্বদুদা ওন্থোকপা মথৌ ওই। জষ্টিস লৈরবতদা শেঞ্জা থুমজা লৈরোই। হীরম খুদিংমক্তা ক্বালিটি মেন্টেন তৌবা ঙমগনী। মীচং শঙ্গন লৈরোই, মান্নবা খুনাই লাক্কনী। চাওখৎপা অমসুং অওনবা লাক্কনী। শান্তি লৈবা সমাজ ওইহনবা ঙমগনী।

মীওইবগী পিথোকলকপা গুনশিং খঙদোকপদা

# ডার্মাটোগল্যাফিক্স মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স টেষ্ট

লৌক্রাকপম হেরোজিৎ মঙাং

মহৈরোই অমগী মাংদা লৈরীবা লম্বী ময়াম (কোর্স–শিনফম) দগী চুনবা অমা খনবা হায়বসি য়ান্না মরুওইবা শিংনবা অমনি। মালেমগী হোংলকলিবা চাওখৎ লমজেল অমদি চাংয়েংগী চহীচা অসিদা মহৈরোইশিংনা মাই পাক্কে, মীথোই মীহেনগে হায়রবদি অখন্নবা খোংথাং লৌখৎপা তাই। খোংথাংশিংদুগী মনুংদা মশাগী চুনবা লম্বী (কোর্স / শিনফম) খনবসিসু অমনি।

মহৈরোইগী অপাম্বা, অহল লমনগী অপাম্বা নৎত্রগা ওজা গুরুগী পাওতাক লৌরগা করম্বা লম্বীদা চৎকদগে হায়বদু লেপনরম্মী। মসিদা খুদোং চাদবা কয়া থেংনৈ মরমদি মহৈরোই অদুগী থোপ অমদি হকচাংদা করি করি পিথোরকপা গুনশিং য়াওই হায়বদু খংদোকপা অরাইবা ওইরমদে। অদুবু হৌজিক্তি ডার্মাটোগল্যাফিক্স মল্টিপলইন্টিলিজেন্স টেষ্ট (ডী. এম. আই.টি)গী মতেংনা লায়না খংদোকপা ঙমলে। ডার্মটোগল্যাফিক্স হায়বা ৱাহৈ অসি ফাদর ওফ অমেরিকান ফিঙ্গরপ্রিন্ট এনালায়সিস হায়না খংনবা ডা. হ্যারোল্ড কাম্মিন্সনা ইহান হান্না শিজিন্নবা হৌখি। ৱাইহ অসি অরিবা গ্রিক ৱাহৈ "ডার্মা" হায়বদি উনশা অমদি "গল্যাফ" হায়বদি ককপা (ময়ি' পুনশিল্লগা শেম্বনি। ডার্মাটোগল্যাফিক্স হায়বসি খূৎ–মরিবু সাইন্সকী মীৎয়েংদগী নৈনবনি। মীওইবা অমদি শাশিংগী খুবাক, খুৎশা, খোংশা অমদি খোংয়াদা ময়িশিং লৈ। মসি এম্ব্রায়োজেনেসিসকী ক্রিটিকাল পিরিয়ডকী মরিশুবা চায়োলদগী মঙাশুবা থা ফাওবগী মনুংদা মেজর অর্গান সিষ্টেম শেমগৎপা মতমদা ময়েক শেংলকই। ইং ১৮৩২ দা সার ফ্রান্সিস গাল্টন না "Theory of ever-lasting personality of finger-prints" পুথোকখি– মহাক্না ফিঙারপ্রিন্টসবু হোরল, লুপ, আর্টেস হায়না খায়দোকখি। ইং ১৯২৬ দা ডা. হ্যারোল্ড কম্মিন্স ডার্মাটোগল্যাফিক্স হায়বা ৱাহৈ অসি পুথোকখিবগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবগী লমদা অনৌবা ইনোট অমা পীবগা লোইননা হেন্না মশক থোকলকখি। ইং ১৯৬৯ দা জোন মুয়াবিহিল, এম. ডি অমদি দেবিদ দবল্যু স্মিথ, এম ডি না "The reseach on different stages about the formation of grain for the babies" ফোংখি। এম্ব্রায়ো শেমলকপদগী ১৩ শুবা চয়োলদগী স্কিন গ্রাইন্স শেমগৎপা হৌই অদুগা ১৬ শুবা চয়োলগী মতুংদা লোইশিল্লী। মসিগী স্কিন গ্রাইন্সশিংসি মীওই খুদিংমক্কী তোপ–তোপ্পা লৈ অমগা অমগা মান্নদে। সার ফ্রান্সিস গাল্টননা মুন্না থিজিল্লবা মতুংদা ফিঙ্গরপ্রিন্টশিং অসি পুন্সি চুপ্পগী হোংবা নাইদনা লৈ অমদি শক তাকপদা শিজিন্নবা য়াই হায়না ফোংদোকখি। চহী কয়া চৎথরকপা রিসার্চ কয়া মীওইবগী খূৎ–ময়ি অমদি থোপ অনিসি য়ান্না নকনবা মরী লৈনৈ হায়বা প্রমান কয়া পুথোকখ্রে। পোকলকপা মতমদা থোপ হায়না খংনবা কোক্কী মনুং থংবা শরুক অসি য়াওরক্তবা অদুবু এন এন সে ফালি হায়না খঙনৈ। অসুন্না থোপ য়াওদনা পোকলকপা অঙাংশিং অদুগী খূৎ–ময়িসু য়াওরক্তে। মীরোলবগী ১৩ শুবা চয়োলদগী অঙাং অদুগী ময়িশিং শেমগৎলকই লোয়ননা থোপসু শেংগৎপা হৌরকই।

| ময়ি অমদি থোপ শেমগৎলকপগী তাংককশিং | |
|---|---|
| ৬–৮ শুবা চায়েল | খুৎশা–খোংশা শেম্বা হৌবা |
| ১০–১২ শুবা চায়োল | খুৎশা–খোংশা মপুং ফাবা |
| ১৩ শুবা চায়োল | ময়ি শেম্বা হৌবা |
| ১৪ শুবা চায়োল | সেরিব্রাল কর্টেক্স য়াওনা থোপ শেমগৎপা হৌবা |
| ২১ শুবা চায়োল | ময়ি মপুংফানা শেমগৎপা লোইবা |

খূৎকী ময়ি অসি মীদুগী পার্সোনালিটি, বিহেভিয়ার ইনবোর্ন ট্রালেনট, মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স, ক্রি এটিবিটি কোওসিএন্টনচিংবশিংগা মরি লৈনৈ। হৌজিক্তী মালেমগী মফম পূন্নমক্তা জেনেটিক ডিসওর্ডার, সাইকোলোজিক্যাল ডিসওর্ডার, মেডিকেল, হিউমান রিসার্চ অসিনচিংবদা ডার্মাটোগল্যাফিক্সশিজিন্নারে। মসি হিরম কয়াদা হায়বদি মেডিকেল, সাইকোলোজিকেল, হেলথ, কাউন্সেলিং, ইডুকেসন, হিউমান রিসোর্স, ক্যারিয়ার, ম্যাট্রিমেনিয়াল, প্যারেন্টিং নচিংবা খংদোকপদা মপুং ফানা শিজিন্নরে। মহৈ মশিং তম্নবগী লমদা মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স খংদোকপদা ডার্মাটোগল্যাফিক্স শিজিন্নরে। ডার্মাটোগল্যাফিক্স মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স টেষ্ট হায়বসি ইচম চম্বা খুবাক ময়ি য়েংবা নত্তে। টেষ্ট অসিদা খুৎশা ১০ গী মতোন ওইবা শরুক্কী মায়কৈ ৩–৩ গী মমি লৌরগা কম্পিউটারগী মতেংনা সাইন্টিফিক ষ্টডি তৌই। টেষ্টকী ফল ওইনা মীদুগী পর্সোনালিটি, বিহেভিয়ার, আর আই এ. অস. ঈ. শি. থিওরি ওফ পাসোনলিটি, ব্রেন ডোমিনেন্স, সেন্ট্রল নারভাস সিসটেম অমদি ব্রেন লোবস, সিপ্লট লোবস রিদিং, ইনবোর্ন পোটেনশিয়াল, লর্নিং সেনসিটিভিটি, লার্নিং কমিউনিকেশন অমদি একুররিং মেথড, প্রিফাউ লার্নিং ষ্টাইল, মল্টিপল কোওসিত্রন্স ইষ্টেলিজেন্স, মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স, ম্যাকেঞ্জিকস থিওরি, একটিব ড্রিভন বাই মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স, ক্যারিয়ার গাইড রিলেশনশিপ কমপ্যাটিবিলিটি, ৱিকনেস অমদি ষ্ট্রেঙথসনচিংবসি মচা খাইনা পি।

টেষ্ট অসিনা মীদুগী ব্রেন ভোমিনেন্স হায়বদি ওইথংবা ব্রেনগী শরুক অমদি য়েৎথংবা ব্রেনগী শরুক্না চাদা চাং কয়া কয়া ওইবগে হায়বদু খংদোকপা ঙম্মী। ওইথংবা ব্রেন্দা এনালাইটিকেল অমদি লোজিকেল অমরোমদা য়েৎথংবা ব্রেন্দানা আর্টিষ্টিক অমদি ক্রিয়েটিভকী দাইত্যা লৈ। সেন্ট্রেল নারভাস সিসটেম অমদি ব্রেন লোবস হায়বসিদা লোবস মঙা হায়বদি প্রিফ্রন্টেল লোব, ফ্রন্টেল লোব পারিএটেল লোব, টেমপোরেল লোব অমদি ওসিপিটেল লোবনা চাদা শরুক কয়া কয়া ওই লোইননা মখোয়দা করি করি দাইট্যা লৈ হায়বদু ময়েক শেংনা ইনবোর্ন পোটেনশিয়াল হায়বসিনা টোটেল রিডজ কাউন্টদা যুমফম ওইরগা মীদুগী মহৈতম্বা ঙম্বগী চাংপি। লার্নিং সেনসিটিভিটিনা মীদুগী হৈগনবা – খংগনবগী চাং অদু পী। প্রিফার্ড লার্নিং ষ্টাইল হায়বসিনা মীদু করম্বা মতম্বীগা চানৈ হায়বদু পী। মসিদা ভিজ্যুয়াল লার্নিং, ওডিও লার্নিং অমদি কিনেস্থেটিক লার্নিং চাদা কয়া কয়া ওইবগে হায়বা পী। মল্টিপল কোওসিএন্সগী মনুংদা ইন্টেলিজেন্স কোওসিন্স, ইমোশনেল কোওসিন্স, এডভার্সিটি কোওসিন্স অমদি ক্রিয়েটিভিটি কোওসিন্সগী চপ চাবা চাংশিং অমদি মখোয়গী মরী লৈনবশিং পী। মল্টিপল ইন্টেলিজেন্স হায়বসিনা মীদুগী হৈশিংবা ইন্টেলিজেন্স ৮ মথং মনাও নাইনা পী। মখা তানা হৈশিংবশিং অদুগা চানবা থবক্কী চাং পী। ক্যারিয়ার গাইড হায়বসিদা মহৈরোই অদুদা খ্বাইদগী চুনবা ক্যারিয়ারদি মথং মনাও নাইনা পী।

ডী. এম আই টি হায়বসি মতমসিগী চুনরবা মীওইবগী পীথোরকপা গুনশিং খংদোকনবা চাংয়েং ওইরকলি, মলেমগী চাওখৎলবা মফম কয়াদা মপূং ফানা শিজিন্নরকপগা লোয়না ভারতকী অৱাং নোংপোক কাচিনদা লৈবা মণিপুরদসু মসিগী খুদোংচাবা ফংলে।